ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




জন্যুৱারী ৩দগী হৌরক্লগা ১১ ফাওবা চথগদবা হঙ্গর সর্ভিস ৱীককী 'ৱান মল্টিপল ৱান এক্টিভিটি' গী মখাদা লায়ন এন্দ লিও ক্লব ওফ ওইনাম লায়ন্স ইন্টরনেশনল দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দিনা রিলিফ কেম্প য়াওনা মফম খরদা থোংলবা চক-এঞ্জুং য়েন্থোকপা


লৌশিং পূক্কে : চাবা থকপগী মওং শোয়বনা... লামায় ২

লামায় ৪ হরাও কুম্মৈগী লমদমদা!

সনা-লুপা, লন-থুম পামদবা, খমতোং-য়াইতোংবা ... লামায় ৫

লামায় ৬ য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা সাইনিক স্কুল ১০০ লিংখৎনবা...

ইন্দিয়াগী মপান লৈবাক্কী থৌশিল অসি য়ুনাইটেদ... লামায় ৮

লামায় ১০ মেদল ফংলকখ্রবা স্বিম্মরশিং তরাম্না ওকখ্রে...


কুকি-জো টেররিষ্টশিংনা সাইতোন ঙানুকোনদা অমুক হন্না বোম পোকখায়হন্দুনা য়ূম থুগাইরকপা অমসুং মীচম অনী শোকহনবগী মায়োক্তা ইমাগী মৈরাগী প্রসিদেন্ট থোকচোম সুজতানা গভর্ণর উন্নবা লোক ভবন তম্না লাকপা




Vol. 49, Issue No. 270 | লৈবাকপোকপা, ৱাকচীংগী ১৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, January 06, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# মথোং খঙদবশিংনা সাইতোন ঙানুকোনগী য়ূম ১ বোম পোকখায়হন্দুনা অকাই-অতোই থোকহল্লম্লে

# বোম পোকখায়ফমদা চঙশিন্নরকখিবা মীয়ামদসু অমুক হন্না বোম পোকখায়হল্লকপদা মীচম ২ শোক্লে

## থৌদোক অসিগী কেস এন আই এদা খূৎশিন্নখ্রে : পুলিস

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :**

মীয়াম অমসুং কোকোমিনা রিলিফ কেম্পতা লৈহল্লক্লিবা আই দি পিশিংবু মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনগদবনি হায়বগী অকনবা দিমান্দ তৌরকপদা নত্তনা আই দি পিশিংনসু মাঙজিল থানা চোংথোরক্তুনা দিমান্দ অসি তকশিল্লকপদগী লৈঙাক্লা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ৱারোইচীং লৈম্রামদা ইমুং ৬৪গী আই দি পি ২৫৭ হঞ্জিলহনখিবগা লোয়ননা মখা তানা তোর্বুং অমসুং ফৌগাকচাও ইখাইদসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশনন্না আই দি পি খরা হোংজিলহনবা হৌরকপদা মমাঙ থাগী ১৬কী নুমিদাংদা চুড়াচান্দপুর পি এসকী মনুং চনবা কাংভাইগী জালেনফাই অমসুং মথিজ াং খুললোমদগী বোম তরেৎ অমসুং নোংমৈ মরূ ২০০ রোম কাপশিল্লক্তুনা অকনবা এটেক চথুরকখিবা ঙসি নুমিৎ ২০নি শুরকপদসু সাইতোন ঙানুকোন ৱার্দ নম্বর ৭/৮দা লৈবা লাঞ্জেন্নরিবা সলাম মনি (৭০) গী য়ূম বোম পোকখায়হন্দুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্বদা নত্তনা থৌদোক অসি তাবদগী চঙশিন্নরকখিবা ঙানুকোন অমসুং হৈয়াইকোনগী খুঙ্গাশিং তম্না অমুক্কসু বোম অনী খন্থ্রাংননা পোকখায়হল্লকপদগী সাইতোন বি কম্পনিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ঙসি 'রো' (রিসর্চ এন্দ এনালাইসিস ৱিং) গী এদিশনেল সেক্রেটরিনা গভর্ণরগা উন্নগদৌরি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস):**

ঙসি অয়ুক্কী তোঙান তোঙানবা পুংফমদা ফৌগাকচাও ইখাই পি এসনা কোল্লিবা সাইতোন ঙানুকোনগী ৱার্দ নম্বর ৭/৮দা লৈবা লাঞ্জেন্নখ্রবা সলাম মনি (৭০) গী য়ূমবু বোম পোকখায়হন্দুনা অকাই-অতোই থোকহল্লম্বা অমসুং অতোপ্পা বোম অনী অমসু পুল্লপ পোকখায়হল্লক্তুনা মীচম অনী শোকহনখিবা থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা হয়েং লৈবাক অসিগী রিসর্চ এন্দ এনালাইসিস ৱিং (রো)গী এদিশনেল সেক্রেটরি অনুরাগ ...মখা লমায় ৩ কলম ৩







বোম পোকখায়হন্দুনা অকাই-অতোই থোকহল্লম্লবা য়ূমদা সিক্যুরিটিনা য়েংশিনবা, বোম মচেৎনা পানবদগী শোক্লবা সনাতোম্বা অমসুং ইন্দুবালা

মখা লৈকায়দগী সোইবম সনাতোম্বা (৫২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস অঙৌবী অমসুং সাইতোন হৈয়াইকোন মনীং লৈকায়দগী নোংথোম্বম ইন্দুবালা (৩৭) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা এন বিশ্বরজিৎ বোম মচেৎনা পান্দুনা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক থোকফমদগী ফংলকপা পাউনা হায়বদা ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৫.৪৫ রোম তারকপদা লান হৌরকখিবা মে ৩, ২০২৩দগী লাঞ্জেন্নখিদুনা কৈবুল লমজাওগী রিলিফ কেম্পতা হৌজিক ফাওবা চঙজফম লৌরক্লিবা এস মনিগী য়ূমগী মনুংদা মপাঙ্গল কল্লবা আই ঈ দি অমা পোকখায়হন্দুনা মহাক্কী য়ূম অসিবু অমাঙ-অতা থোকহনখিবনি হায়রি।

বোম পোকখায়বগী মখোল তাবদা থংননা লৈরিবা সাইতোনগী লৈকায়শিং অমসুং হৈয়াইকোনগী লৈকায়শিংগী নুপী-নুপা য়াওনা মীওই কয়ানা ৭১-সী আর পি এফকী বি কম্পনিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## মণিপুরদা হোম গার্দ পর্সনেল ১৮০০ রোম মথৌ পাঙথোকহল্লবসু হোম মিনিষ্ট্রিনা শুপ্নতগী ৬৭০ খক্তমক অয়াবা পীরম্লে

### হোম গার্দ পর্সনেলশিংগী 'কোল আউট ষ্ট্রেঙথ' লিশীং ২ শুহনবীনবা হোম মিনিষ্ট্রিদা হায়জখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ওক্টোবর ১৯, ২০১৯দা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা পীখিবা চেরোল (নম্বর ৫/৭/২০০৪-ঐচ (ঐচ জি) পার্ট/বিদা মণিপুরগী ওইনা হোম গার্দ পর্সনেলশিংগী কোল আউট ষ্ট্রেঙথ অসি লিশীং ২ শুহনবীনবা প্রপোজ তৌখিবগা লোয়ননা মার্চ ২৯, ২০০৪দা মতম অদুগী হোম মিনিষ্ট্রিগী দিরেক্টর জেনরেল বি এল ভোরা (সিভিল দিফেন্স এন্দ ফায়র সর্ভিস) না মতম অদুগী মণিপুরগী সেক্রেটরি এ পি শর্ম্মাদা পীরকখিবা চেরোল অমদদি হোম গার্দশিংগী ওথোরাইজদ্ ষ্ট্রেঙথ অসি ৩৩৯৪ ওইরগা কোল আউট ষ্ট্রেঙথনা ২৩৫০ ওইহন্নবা ৱাফম খঙহল্লকখিবনি। অদুবু হোম গার্দ মেম্বরশিংদা পুলিস ...মখা লমায় ৩ কলম ৩



মতম খরগী মমাঙদা হোম গার্দ পর্সনেলশিংনা মখোয়গী দিমান্দশিং তকশিন্দুনা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজং (ফাইল ফোটো)

## গভর্ণরগা উন্নরে, মীয়াম ঙাক শেনবা ঙম্লোইদবা ওইরবদি হনখিবনা চুমগনি হায়রম্লে : সুজতা

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :**

আই দি পিশিংনা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিনবা হৌবগা লোয়ননা মখা তানসু হঞ্জিন্নবা হোৎনরকপদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা বোম অমদি নোংমৈনা লান্দাখিবগী হ্বাইট পেপর অমা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা পুথোক্কদবনি হায়দুনা দিমান্দ তৌখিবা ইমাগী মৈরানা দিমান্দ অসিবু থবক্তা ওন্থোরকপা ঙাইরিঙৈগী চৈরক্তা ঙসি নৌহৌননা সাইতোন ঙানুকোনগী য়ূম অমা বোম পোকখায়হন্দুনা অমাঙ অতা থোকহনখিবা অসি প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাক্কী অশোনবনি হায়না ইমাগী মৈরাগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ সুজতানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা প্রসিদেন্টনা লুচিংবা লূপ অসিগী মীহুৎশিংনা লোক ভবনদা গভর্ণর এ কে ভল্লাগা উন্নরুরগা থোরকপদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.৩০ তারকপদগী ইমাগী মৈরানা গভর্ণর উন্ননবা ঙাইরকপনি অদুবু পুং ২ রোম তারকপা অদুৱাইদা গভর্ণর উন্ননবা চঙলুবদা মহাক য়ৌরক্ত্রি হায়রকখিবনি। গভর্ণরগী ওফিশলশিংনা এপোইন্টমেন্ট পীনীংদবগী মতৌ উৎলকখি। অদুবু গভর্ণর উন্নদ্রবদি হল্লরোই হায়বদগী ঙসি নুংথিল পুং ৪দা উন্ননবগী অয়াবা পীরকখিবনি।

মমাঙদা বোম অমদি নোংমৈনা লান্দারকখিবগী হ্বাইট পেপর পীবা ঙমদ্রিঙৈদা ঙসি অমুক বোম পোকখায়হন্দুনা য়ূম থুগাইবা অমসুং মীচম অনী শোকহল্লিবা করিগীনো হংখি। সেন্ট্রেল ফোর্স থম্না থম্না অসিগুম্বা থৌদোক থোকহনবা হায়বসি গভর্ণরনা লৈঙাক্লোন ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ঙানুকোনদা বোমনা য়ূম থুগাইবা ১সুং মীওই ২ শোকহনববু লূপ কয়ানা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :**

ঙসি অয়ূক অঙনবদা ফৌগাকচাও ইখাই পি এসনা কোল্লিবা সাইতোন ঙানুকোন ৱার্দ নম্বর ৮দা লৈরম্বদগী লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা সলাম মনিগী য়ূম বোম পোকখায়হন্দুনা অকাই অতোই থোকহল্লম্বা অমসুং থৌদোক থোকফমদা লাকখিবা মীয়ামদসু অতোপ্পা বোম অমগা অমুক পোকখায়হল্লক্তুনা নুপী অমা য়াওনা মীচম অনী বোম মচেৎনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২



খোইশাওনদুনা হৌরকখিবা সাইতোন অমদি হৈয়াইকোনগী মীয়াম্বু আর এ এফনা লাকশিন্নবা হোৎনবা

## ঙসি শিন্থা লেপ্তুনা লৈকায় লৈকায়দা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিন্দুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকপীয়ু : ইপোম

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস):**

ঙসি অয়ূক সাইতোন ঙানুকোনদা লাঞ্জেন্নখ্রবা মীওই অমগী য়ূম বোম পোকখায়হন্দুনা থুগাইরম্বা অমসুং নুপী অমা য়াওনা মীচম অনী বোম পোকখায়হন্দুনা অশোক অপন নংহনখিবা থৌদোকপু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈঙাক্লা মীয়ামগী পূন্সি অমসুং লন-থুম ঙাক শেনবা ঙমদববুসু য়ানীংদবা উৎতুনা হয়েং লৈকায় লৈকায়দা শিন্থা লেপ্তুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনবীয়ু হায়না ইন্দিজিনস পিপলস ওর্গনাইজেশন মণিপুর (ইপোম)গী ভাইস প্রসিদেন্ট কে ঐচ চন্দ্রমনি, পলেমগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ জিবনমালা, য়েমকলগী লোকেল অঙোম, এম পি এফকী জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং মীতৈ পাঙল কাউন্সিল মণিপুরগী প্রসিদেন্টনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

শিন্থা লেপ্পগী খোঙজং অসিদা মৈ, ঈশিং, লাইনীং লাইশোনগী থৌরমশিং অমদি অনা লায়েংনচিংবশিংদি কোমথোক্কনি হায়রি।


## পাউচে পুথোক্লোই

ঙসি জন্যুৱারী ৬, ২০২৬ মণিপুর প্রেস ক্লব ফাউন্দেসন দেগী প্রেস ছুটি ওইবনা জন্যুৱারী ৭তা পাউচে অসি পুথোকচরোই।

-মেনেজর


ꯁ꯭ꯂꯣꯒꯥꯟ স্লোগান

"ঈনাৎ য়োকখৎসি : শক্তম ঙাক্লা হিংসি" - ইয়োল

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## মৈরা পায়বীশিংনা লুপা লাখ ১ রোমগী ব্রাউন সুগর, য়ু য়াওনা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং মৈ থাদোকখ্রে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদা নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপ অমদি খুরাই কোন্সম লৈকায় অপূনবা নুপী লূপকী মীৎয়েং মখাদা খুরাই কোন্সম লৈকায় লৈরক (৬এ) ময়াদা লুপা লাখ অমরোমগী মমল ওইগদবা ব্রাউন সুগর অমসুং য়ু য়াওনা ময়াই কাবা পোৎলমশিং মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে।

পোৎলমশিং অসি নুপী লূপ অনীনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙরাং ইম্ফাল ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## নুপামচা ৩ কিদনেপ তৌখ্রে হায়দুনা ৱাকৎলকপদগী পুলিসনা কেস লৌখৎলে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস):**

ঙরাং নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদা ককচীং খুনৌ ঙাইখোং লৈকায়দগী নুপামচা অহুম মীওই অমনা কিদনেপ তৌখ্রে হায়বগী কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌরকপদগী ৱাইখোং পি এসনা কেস এফ আই আর নম্বর ১(১) ২০২৬ অন্দর সেক্সন ১৭৩(২) বি এন এস রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।

রিপোর্ট অসি ককচীং খুনৌ ঙাইখোং লৈকায়দগী খাইদেম নুংশিরৈ (৪৪) মপুরোইবা কে ঐচ গৌরশ্যামনা এপ্লিকান্ট ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্কী রিপোর্ট অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## মীখল পাঙথোক্লগা অনৌবা লৈঙাক শেম্বনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরক্কনি : শপ্তাগিড়ি



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :**

প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরদা লাক্লম্লগা উরেপ-উয়ুংদমক তম্লম্লগা ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লমদবসি লাইবক থীবনি হায়রদুনা এসেমব্লি দিজোল্ব তৌরগা অনৌবা মীখল পাঙথোক্তুনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরকপা ঙমগনি হায়না এম পিসু ওইরিবা এ আই সী সীগী মণিপুরগী ইন-চার্জ শপ্তাগিড়ি শঙ্কর উলাকানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ূক ...মখা লমায় ৬ কলম ৩

## নোইদাদা মণিপুরদগী নুপী ১না য়ূম্বানমিন্নরকপা কোরিয়া মচা ১ থাঙনা থিনবদা শিরে





য়ূম্বানমিন্নরকপা মীওই থাঙনা থিনবদগী পুলিসনা ফারবা মণিপুরদগী নুপী (ওই) অমসুং লৈখিদ্রবা কোরিয়া মচা

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :** ঙরাং গ্রেটর নোইদাগী লকজরিয়স এপার্টমেন্ট অমদা নুমিদাং থেংনা পাঙথোকখিবা য়ু থকপগী পার্টি অমদা চহী অনীরোম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট কেজি ৮ লোমগা কোন্নবা ফাখিবা মীওই চহী ১০গী ফাদোক পীখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :** লম্ফেলপাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেশল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুরগী জজ অথোকপম শান্তনা মমাঙ থাগী ৩০দা পীখিবা জজমেন্ট অমদা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট কিলোগ্রাম ৮ লোমগা কোন্ননা ফাখিবা মীওই অমা মরাল লৈরে হায়দুনা লাউথোকখ্রবা মতুংদা ঙসি পাঙথোকখিবা মহাক্কী সেন্টেন্স হিয়ারিংগী ওর্দরদা মহাকপু এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ২২ (সী) গী মখাদা চহী ১০গী ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা লুপা লাখ ১গী শেনফমসু থা ৬কী মনুংদা ফাইন ওইনা পীননবা খঙহনখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## হৌজিক ঐখোয় ইরমদমসিদা রিফ্যুজি ওইনা শৈদাংদুনা লৈবগা চপ মান্নরি, ঐখোয়দা আই দি পি হায়না কৌবিরিবা করিগীনো : ৱাই সরজুবালা

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
**হকথেংনবা পাউদম**
চুড়াচান্দপুরগী আই বি রোদতুগী খুঞ্জা

**(হান্নগী মখা...)**

য়ূমখাইবম ওংবী সরজুবালানা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, লাঞ্জেল্লক্তুনা সিফাইগী কেম্পতা লৈরবা মতুংদা ঐখোয়বু সিফাইশিংনা মোইরাংগী সেন্দ্রা ফাওবা থিনবীরমখিবনি অদুবু ঐদি ৱান্থরকপদগী ৱাখল তারকপদা হোস্পিটালদা লৈরমখি। ঐহাক লায়েংশঙ অদুদা নুমিৎ ৫নি লৈরকখি। লান অদু খঙহৌদনা থোরকপনিনা চুড়াচান্দপুরদা লৈবা মীতৈশিং খা-রাই খঙদনা চেন্নরকপনিনা কনানা কনানো হায়বা মশক অমত্তা খঙনখিদে। অদুবু ঐখোয় হৌজিক ফাওবা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবনি।

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা আই দি পিশিংগী থুম লৈবগী য়াম্লবা শেনফম চঙখ্রে হায়না ফোঙদোক্লরকপদা ঐখোয় অসিবু মফম অসিদা থুম চাবা লাক্লিব্রা নৎত্রগা ঐখোয়না রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা অসিবু করি ইরালগীনো হায়বা ৱাহং ইতোমতা হংজরকই। লান হৌরকপা মতমদুদা পুলিসনা ওর্দর ফংদে হায়দুনা লৈখিবদু করিগুম্বা মচন-মচে ওইরম্লবদি মখোয়না ওর্দর ঙাইখিগদ্রা হায়দুনা পেন্দবা পোকখি হায়রি।

মখোয়সু ঐখোয়সু মীতৈনি খল্লুবদা অমুক্কা হেন্না পেনখিদে। প্রসিদেন্টস রুল চলাইরক্ত্রিঙৈ মমাঙদা লৈরম্বা চীফ মিনিষ্টরনা চুড়াচান্দপুরদা লাকপা মতমদা ঐখোয় মীতৈগী ঈনি হায়দুনা অশেংবা ফি শেৎলগা মহাক লাক্কদবা লম্বীদা মৈরা থাল্লগা ঙাইখিবনি। অদুবু ঙসি ঐখোয়না লাঞ্জেন্নরক্তুনা মখোয়না পীজবা চাক খরা চারগা লায়না পক্তুনা শোন্থরগা লৈরিবসি মদুগী তৌবীমলনা ওইগদৌরিব্রা হায়নসু হংলকখি।

ঐখোয় হৌজিক রিলিফ কেম্পতা অশিবগা চপ মান্ননা হিংলক্লবনিনা শিবা কিরক্ত্রে। লান হৌরকখিবা নুমিৎতুগী থৌদোক্তুদা য়োৎখোক, থাঙ-নোংমৈনা মীওই কয়া হাৎখিবা ইমীৎসিনা উরক্লবনিনা শিবা কিরক্ত্রে। লাঞ্জেল্লক্লবা মতুং চহী ১ রোম ইপুরোইবগা পাউ ফাওনবা ফংদবদগী মহাক লৈখিদ্রে হায়না খনবা ৱাখলনা ফুনগৎলক্তুনা সিফাইনা ঐখোয়বু সেন্দ্রা ফাওবা থিল্লকপদুদা ঐহাক ৱাখল মাঙদুনা ৱান্থরকখিবনি। (মথং-মথং)

## নেশনল রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট মণিপুরগী ১৪শুবা মপোক কুমওনদা প্রসিদেন্ট মালিয়া কোন্থৌজমনা পাউজেল পীরক্লি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ :** নেশনল রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট মণিপুর (এন আর এফ এম) গী চেয়রমেন মালিয়া কোন্থৌজমনা খূৎয়েক পীবা চেরোল অমদা পার্টি অসিগী ১৪রক শুবা মপোক নুমিৎকী মাঙওইননা মীয়ামদা পাউজেল পীরক্লি।

পাউজেল অসিনা হায়, জন্যুৱারী ৭, ২০২৬, য়ূমশকৈশা নুমিৎ অসি নেশনল রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট মণিপুর শেমখিবগী ১৪শুবা মপোক নুমিৎ থোক্লে হায়রদুনা নুমিৎ অসিনা লাকপদা পার্টি (এন আর এফ এম) অসিগী নুং-পালগী ৱাখল্লোন পুদুনা লূপ অসিগী লূপলোইরোই পুন্নমক্কী মহুৎ-মরেং শিঞ্জদুনা ইরৈচা মীয়ামদা পার্টিগী মপোক নুমিৎকী পাউজেল মীদিয়াগী খূত্থাংদা পীজরি।

অহানবমক্তদা নুমিৎ অসিনা লাকপদা ইরমদম মণিপুরগী ইরৈচা ৱাবদগী ৱারগা খম থেংনা ৱারবা রিলিফ কেম্পতা, কৈশুমশঙদা লৈবদগী শরুক ১০০ হেন্না ৱারবশিংদগী হৌরগা, নুংঙাইবদগী নুংঙাইরবা ভি আই পি-ভি ভি আই পি ফাওবগী থাক্তা হিংলিবা অমদি মাগী-মাগী কাঙলূপকী নাপলনা মশাগী মশরুক উবা ফংদনা ঐদি অদুনি-অদানি, ঐখোয়দি অদুনি-অদানি হায়দুনা হিংনরিবা পীক্লবা চীংলৈপাক মণিপুর স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭গী মনুং অসিগী চীংবুরোই তম্বুরোই ঐখোয়গী খোঙদা থুরিবা ...মখা লমায় ৭ কলম ৫

## রিএক্সনরিশিংগী মথক্তা আর্মদ কেম্পেন চথবা হৌরগনি : কে সী পি-পি দল্লিয়ু জি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি-পিপলস ৱার গ্রুপ (মার্ক্সিস সেন্টর) গী সেক্রেটরি, সেন্ট্রেল মীদিয়া কো-ওর্দিনেটর লেনিন মৈতৈগী চেরোল অমদা রিএক্সনরিশিংগী মথক্তা আর্মদ কেম্পেন চথবা হৌরগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মান্নবা খুন্নাই অমগী মরূ হুনবীরম্বা অহল ইবুংঙো কমরেদ ইরাবতকী লিক্লম ইন্দুনা ঐখোয়গী ইরমদমসিদা এপ্রিল ১৪, ১৯৮০দা কমরেদ ...মখা লমায় ৭ কলম ১


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫